# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-03-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** কুকি মিলিটেন্টনি হায়না চিংনবা খুৎলায় পায়বশিংনা হৌখিবা থা অসিগী ২৫ গী নুমিদাং পুং ১১ মিনিট ৪০ রোম তারকপা মতমদা ফাউলজাং-গোথোললোমদগী ফৌগাকচাউ অৱাং লৈকাইদা লৈবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী লৈফমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা খুদক্তা হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। মদুগী তুংদা, ঙরাং অঙনবা অয়ুক্তা থৌদোক থোকফম অমদি চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা চীংগী লমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথখি। চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা এস. নাবিল অমসুং লোইলমকোট এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে। খুৎলাশিং অদুগী মনুংদা-সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, টুয়েল্ব বোরগী নোংমৈ মরু মঙা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, পেক বোম অমা, কিলোগ্রাম মরিরোম লুম্বা আই.ই.দি. বোম অমা, ফোরতি এম.এমগী বোম অনি, পোম্পী অনি অমসুং থারতি এম.এমগী গ্রেনেদ অনি য়াওরি। মফম অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈদুনা ঙাক শেনবগী থবক চথরি।

অমরোমদা, নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা নুমিৎতুমক্তদা তুইবোং বজারদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী টাটা ৱিঙ্গর অমা অকায় অতোয় নংহনবা অমসুং মৈ থাবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই মঙা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। থৌদোক অদুদা সেক্যুরিতি পার্সোনেল তরুকসু ফিভম লুনা শোকপা য়াওখি। মসিগী মথক্তা থৌদোক অদুদা চেন্নবা অতোপ্পা মীওই ২৭ সু ফাদুনা ৱাহং পাউহং চথখি।

মরক অসিদা, কাংপোকপী জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা গমদাই ভিলেজ এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং খুৎশু খুৎলায়

কয়ামরুম ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-বোল্ট এক্সন রাইফল অহুম, এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি অমসুং টুয়েল্ব বোরগী অহাংবা কারটিজ তরা য়াওরি।

য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তুইনোমজাং অমসুং সনাসাবিগী চীংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে। মদুগী মনুংদা পোইন্ট টু-টুগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, কন্ত্রিমেট করবাইন্দ অমা, পোম্পী অমা, কন্ত্রিমেট সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, কেমো ফ্লেগ বি.পি. জেকেট অমা, বাউফেং ৱাকি টোকি অমা, ফিফতি ৱান এম.এমগী মোটা বোম অমা অমসুং পোইন্ট টু টুগী নোংমৈ মরু তরা য়াওরি।

আইননা য়াদবা লালহৌবশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোং এরিয়াদগী নহান কুকি নেসনেল ফ্রন্ট (কে.এন.এফ) কী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা ফংলে।

ককচিং জিলাগী ককচিং ৱাইরি থোঙাম লৈকাইদগী ঙরাং রাজ্য পুলিসনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। অতোপ্পা থৌদোক অমদা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই অঙোম মনিং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ঙরাং ফাখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী মৈত্রম এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অনি হেরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম অমা গ্রাম ৭০০ কা কোন্ননা ফারে। মীওই অনি অদু নোনে জিলাগী লুৱাংচুং পার্ট ৱান অমসুং খোঙশাংদগীনি হায়রি।

**সেনাপতি (এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা মোনিটরিং কমিতি অমা শেমদুনা থাউ অমসুং এল.পি.জি. নারোন্দা য়োনবা থিংননবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

হায়রিবা পোৎলমশিং অসি নারোন্দা লোন্না য়োনবগী পাউ লৈরবদি মীয়ামনা কমিতি অসিদা পাউ পীরকবসু হায়রি।

**রেল্লি (এল) ঃ** তোঙান তোঙানবা নুপী লুপশিংনা শিনদুনা তমেংলোং জিলাগী কাইখুন্দাইদা ঙরাং শান্তিগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

রোংমৈ নাগা লু-ফুম মনিপুর, রোংমৈ নাগা কাউন্সিল-মনিপুর, রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা পুন্না শিনবা রেল্লি অদু লমদম অদোমদা শান্তি অমদি ইং চিকপা পুরকবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমীনা হায়-লমদম অদোমদা তোইনা নোংমৈ কাপবগী থৌদোকশিং থোকপদগী মীয়ামগী পুকিংদা মীপায়বা কয়া পোক্লিবা অদুগী য়েংলগা, মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগী পান্দমদা শান্তিগী খোঙচৎ অদু পাঙথোকখিবনি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা, মফম অদুদা লৈরিবা অয়াম্বা মীওইশিং লৌউ শিংউ তৌদুনা হিংবা ঙাক্তনি। য়ামা তোইনা নোংমৈ কাপবগী থৌদোকশিং থোকপনা থবক শুফম নোম্ফম খঙদবগী সমস্যা মায়োকরিবনি হায়না ফোংদোকখি।

**চান্দেল (এল) ঃ** চান্দেলগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা ঙরাং জিলা থাক্কী দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ফোরমগী মীফম পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হেমন্ত কুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা জিলা অদুদা টি.বি. লায়নানা নাবা মীওইশিং লৈব্রা হায়বদু নীংথিনা থিদোক্তুনা লায়না অসি লাকশিন্নবগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

**এৱারনেস (এল) ঃ** হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগী য়ুনিক দিসএবিলিতি আই.দি. রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং

তেংনৌপল জিলাগী আইমোল তম্পাক কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী কান্নবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**রিজিজ্ ঃ** কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্ট এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়রি-নোংচুপ এসিয়াদা লান থোকপদগী মালেমগী ওইনা অৱাবা ফিভম কয়া মায়োক রবসু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৈ-শিংনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংনা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদা অকায়বা অমত্তা থোকহন্দ্রি।

ন্যু দিল্লিদা প্রাইবেট চেন্নেল অমগা উন্নবদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী রিজিজ্না হায়-ভারতকী জহাসশিং ষ্ট্রেট ওফ হোরমুস লান্দুনা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌরি। মরম অদুনা লৈবাক অসিদা ইনর্জি ক্রাইসিষ্ট থোকপগী ৱাফম লৈতে।

**লানঃ** নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা লান হেন্না কনশিল্লক্তুনা ইজরেলনা ইরানগী মফম কয়াদা নৌনা লান্দাখ্রে।

মদ্দা ইরানগী নেভি চীফ-আলিরেজা তাংশিরি হাৎখ্রে হায়না দাবী তৌরি। ইজরেলগী ওফিসিএলশিংনা হায়-ইসঅহানদা লৈবা সেন্ত্রেল ইরানিয়ান সিটিদা লান্দাবদা আরিজো তাংশিরি শিখ্রে। মহাক ষ্ট্রেট ওফ হোরমুসতা জহাজশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎ অপন থোকহল্লিবা ইরান রিভোলুস্নারি গার্দ নেভিগী মকোকথোংবা লুচিংবা অমনি।

লেবানন্দগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা মফম কয়াদসু ইজরেলনা নৌনা লান্দাখ্রে। লান্দা অদুদা মীওই লিশিং ১,০৯৪ লৈখিদ্রে হায়না লেবানন্দগী হকশেল মন্ত্রিনা ফোংদোকখ্রে।

মরক অসিদা, ৱাশিংটননা তেহরানদা, য়াশিন্নবা পুরকবা হোৎনবদা মায় পাক্ত্রবদি শাথিবা ফল লাক্কনি হায়না অকনবা ৱাফম ফোংদোকখ্রে।

আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুস হাংদোকবা ইরানদা পীখিবা মতম এপ্রিল তরুক ফাওবা শাংদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ফৌগাকচাউ ইখাইদা নৌনা এট্টেক চথ্থরকখিবগী পাউ অমদি সেন্সস হৌবগী মতম য়েথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

ফৌগাকচাউ ইখাইদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম য়াওনা এটেক চথ্থরকখ্রে, খুঞ্জাশিং লাঞ্জেন্নখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

অহিংদা নোংমৈ অমসুং বোমনা লান্দারকখ্রে, চুরাচান্দপুররোমদগী লান্দারকখিবা মতুংদা ওপরেসন চথ্খ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-এন.আর.সি. তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই, লাউরিঙৈদা সেন্সস তৌনবা নুমিৎ লাউথোরকখ্রে হায়বা অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। নুমিৎ ৩০ নিদা থিগদবা য়ুমকোক মনিপুরগী ওইনা সেপ্তেম্বর অমদগী হৌগদৌরি হায়বসিনা সব হেদলাইন পীরি।

সেক্যুরিতিগী গাড়ি মৈ থাবদা চেন্নবা মাওই ৩২ ফারে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

নহারোলগী থৌদাংদা-ফোরেন্নর তরেৎ ফাদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথ্থরিঙৈ ম্যান্মার ঙমখৈ নারোন্দা লানশিন্নবা হোৎনরম্বা স্লোভেকিয়া নেসনেল অমসু ফারে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-পি.আই.বি. ইম্ফালনা মেদিয়া ৱার্কশোপ পাঙথোকখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা মনিপুরগী কলচরেল ওর্গনাইজেসন ১০০ রোমগী

গ্রান্ট ককখ্রে হায়বা পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মিদল ইষ্টতা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিস্তর-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি চীফ মিনিস্তরশিংগা ৱারী শান্নগদৌরি হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-তোঙান তোঙানবা ৰিমেন ওর্গনাইজেসনশিংনা কৈখুন্দাই ভিলেজতা শান্তিগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-নাগা এম.এল.এশিং-রাম মুইভা অমদি লৈশিও কৈশিংনা উখ্রুলদা চৎতুনা নাগা অমদি কুকিগী লুচিংবশিং উন্নদুনা শান্তি পুরকবা খোঙথাং লৌখৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।